# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -২৪

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

**দিসেম্বর ১৬, ১৯৯৭**তা শ্রী ৰাহেংবম নিপামচাবু মণিপুরগী গৱর্নর শ্রী ও এন শ্রীভাস্টভানা রাজভৱন্দা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশকহনখি। হায়রিবা নুমিৎতুদা য়ুনাইটেদ ফ্রন্টকী মেম্বর ২৫সু কেবিনেট মিনিষ্টরশিং ওইনা ৱাশকহনখি। দিসেম্বর ২২, ১৯৯৭তা মিনিষ্টরশিংগী পোর্টফোলিওশিং য়েন্থোকখি।

১) শ্রী ৰাহেংবম নিপামচা- চীফ মিনিষ্টর, কনফিদেন্সিএল এন্দ কেবিনেট দিপার্টমেন্ট, পার্সনেল এন্দ এ আর দিপার্টমেন্ট, হোম, ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাইস, জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন, লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেরস, কো-ওপরেসন, অতৈগা পীদবশিং; ২) ডাক্তর এন চন্দ্রমনি - মিনিষ্টর ৱার্ক্স; ৩) শ্রী ঐচ লোখোন - মিনিষ্টর ফাইনান্স, এক্সাইজ এন্দ টেক্সেসন; ৪) শ্রী এম নিল্লচন্দ্র - মিনিষ্টর আই এফ সী; ৫) শ্রী ঐচ বিদুর - মিনিষ্টর পি ঐচ ঈ; ৬) শ্রী এম কুমার - মিনিষ্টর হায়র এদ্যুকেসন এন্দ ইলেক্সন; ৭) শ্রী মোরুং মোকুঙা - মিনিষ্টর হেলথ; ৮) শ্রী এম বাবু - মিনিষ্টর ইকোনোমিক্স এন্দ ষ্টেটিষ্টিক্স; ৯) শ্রী টি এন হাওকিপ - মিনিষ্টর সেরিকলচর; ১০) ভি হংখোলিয়ান - মিনিষ্টর এম আই এন্দ টুরিজম, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি; ১১) শ্রী এম কুঞ্জো - মিনিষ্টর ভেটেরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি এন্দ দি আই পি আর; ১২) শ্রী ঙমথং হাওকিপ - মিনিষ্টর হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্বেসন; ১৩) শ্রী এলাংবম কুঞ্জেশ্বর - মিনিষ্টর রেভেন্যু এন্দ প্লান্নিং; ১৪) শ্রী এন তোম্বা - মিনিষ্টর সোসিএল ৱেলফেয়র; ১৫) শ্রী ক্ষেত্রিময়ুম ইরাবত - মিনিষ্টর এদ্যুকেসন (এস); ১৬) প্রোফেসর গাংমুমৈ কামৈ - মিনিষ্টর ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ লে; ১৭) ডাক্তর রাই জিতেন - মিনিষ্টর ফেমিলি ৱেলফের; ১৮) শ্রী এন মঙ্গি - মিনিষ্টর এগ্রিকলচর; ১৯) শ্রী এন বিরেন - মিনিষ্টর ফিসরিজ, লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্ট; ২০) শ্রী এম হেমন্ত - মিনিষ্টর য়ুথ এফেরস এন্দ স্পোর্টস; ২১) শ্রী আই হেমোচন্দ্র - মিনিষ্টর মাহদ; ২২) শ্রী শোচিংকুপ - মিনিষ্টর ত্রান্সপোর্ট এন্দ গবর্নমেন্ট প্রেস; ২৩) শ্রী গোবিন্দাস কোন্থৌজম - মিনিষ্টর পৱার; ২৪) শ্রী শামুএল জেন্দাই - মিনিষ্টর দিভলপমেন্ট ওফ ত্রাইবেল এন্দ বেকৱার্দ ক্লাসেস; ২৫) শ্রী এন যাত্রা - মিনিষ্টর কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ; ২৬) মহম্মদ আবদুল সলাম - মিনিষ্টর রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজনি।

দিসেম্বর ২৯, ১৯৯৭তা শ্রী কে বাবুধোনবু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর খনখি। মহাক হান্না দেপ্যুটি স্পিকর ওইরম্লনি। মহাক্কা এম পি পিগী লুচিংবা শ্রী আর কে রনবীরদগী ভোট অনী হেল্লা ফংদুনা কাখি। কোংগ্রেসকী মীরেপ শ্রী ৰাই ইরাবত মশা ফাওবা ভোট থাদদবগী ভোট ফংখিদে।

জনুৱারী ১২, ১৯৯৮দা শ্রী ৰাহেংবম নিপামচা থাজবগী ভোট লৌনবদা মায় পাকখি। জনুৱারী ২১, ১৯৯৮দা নাগা এন জি ওশিংনা নাগা এম পি, এম এন এশিংবু ফেব্রুৱারী ৭, ১৯৯৮ ফাওবগী মনুংদা রিজাইন তৌগদবনি হায়রম্মী।

জনুৱারী ২৩, ১৯৯৮দা ডাক্তর এন চন্দ্রমনিবু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইহনখি। জনুৱারী ৩১, ১৯৯৮দা শ্রী হাওখোলেটপু তদুবিদগী লম্বা য়াওদনা কাখি। ফেব্রুৱারী ৩দা নাগা এম এল এশিংনা নাগা হোহো, য়ু এন সীনা ফম থাদোকউ হায়বদু য়াখিদে।

ফেব্রুৱারী ১৬, ১৯৯৮দা লোক সভা সিট ২গী ইলেক্সন অমসুং এসেমব্লি সিট ৪গী বাই ইলেক্সন পাঙথোকখি। মার্চ ২, ১৯৯৮দা ভোট মশীং থিবা হৌখি।

মার্চ ৩দা শ্রী থৌনাওজম চাওবযুইমার মণিপুরগী অমসুং কিম গাংতেবুনা আউটর মণিপুরগী মীরেপ ওইনা খনখি। এসেমব্লি সিট ৪গী বাই ইলেক্সনগী ফলসু লাউথোকখি। এন লালানা খুন্দ্রাকপম এ সীদগী, মহম্মদ মহম্মুদ্দিন শাহনা ক্ষেত্রিগাও এ সীদগী, শ্রী টি থাংজালামনা হেংলেপ এ সীদগী অদুগা শ্রী থাংখানলালনা সিংহাট এ সীদগী কারে হায়না লাউথোকখি।

মার্চ ১১, ১৯৯৮দা এসেমব্লি বাই ইলেক্সন্দা কারকপা মখোয় ৫বু স্পিকর শ্রী কে বাবুধোননা এম এল এ ওইনা ৱাশকহনখি।

মে ৪, ১৯৯৮দা শ্রীনিপামচানা লুচিংবা মিনিষ্ট্রি অসি হোংদোক হোংজিন তৌখি। শ্রী এন যাত্রাবু লৌথোকল্লগা শ্রী এন বিহারি, শ্রী দল্লিয়ু থোইবা মখোয় অনীবু কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা হাপচিনখি। মহম্মদ হেমশউদ্দিন শাহ, শ্রী কে এস ঐচ বিরেন, শ্রী এস রাজেন অমসুং শ্রী থাংমিনলেন কিপজেনবু মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা হাপচিনখি।

মে ১৪, ১৯৯৮দা চীফ মিনিষ্টর শ্রী ৰাহেংবম নিপামচানা শ্রী এন যাত্রাবু লৌথোকখি।

শ্রী এন বিহারী মিনিষ্টরবু জি এ দি, রেট এন্দ মিজর, ডাক্তর দল্লিয়ু থোইববু মিনিষ্টর কো ওপরেসন, আর্ট এন্দ কলচর মহম্মদ হেশামুদ্দিন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ) না কম্মান্দ এরিয়া দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (কাদা) এন্দ লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটি, শ্রী কে এস ঐচ বিরেননা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটনা ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাইজ, শ্রী এস রাজেন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট এদ্যুকেসন এন্দ এস সী আর টি, শ্রী থাংমিনলিয়ন কিপজেনবু মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট পৱার ওইহনখি।

শ্রী ৰাহেংবম নিপামচাগী অহানবা মিনিষ্ট্রি অসি ফেব্রুৱারী ২০০০গী জেনরেল ইলেক্সন ফাওবা লৈখি। মহাক্কী অহানবা মিনিষ্ট্রি অসিদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মনুংদা পনবা তারবদি কুমজা ১৯৯৮গী ফেব্রুৱারী ১২ অমসুং ১৩গী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদা অংথাদগী য়ূমলেম্বম সনামচা হায়বা মহৈরোয় অমা ১৭শুবা রাজপুট রাইফলনা ফাখ্রগা মফম মরাং খঙখিদবগী ৱাথোক, ওগষ্ট ২৯, ১৯৯৮দা ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা পুলিস কম্মান্দোশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা নাগালেন্দ পুলিসকী মীওই অনী, রিটয়ার্দ মেজর সাইজা য়াওনা মীওই মঙা শিখিবা, নাগালেন্দগী এক্স স্পিকর থেনুচোনা থিনা শোকখি। নবেম্বর ২, ১৯৯৮দা ক্বাকৈথেল থৌদোক্কা মরী লৈননা নাগালেন্দগী লূপশিংনা মণিপুর লৈঙাকপু থৌদোক্তুগী থৌদাং লৌনবা অমদি অতৈ দাবীদা য়ূম্ফম ওইদুনা দিমাপুর লম্বীদা ব্লোকেদ চত্থবা হৌখিবা অসিনচিংবা নুংঙাইতবা থৌদোক কয়া থোকখি।

অমরোমদা, দিসেম্বর ১৭, ১৯৯৮দা ১৩শুবা এসিয়ান গেমসতা মণিপুরগী দিঙ্কুনা উজবেকিষ্টানগী টিমুরবু থিন্দুনা বেন্টাম ৱেট বোক্সিং টাইটল লৌখি।

মণিপুর পূম্নমক দিঙ্কুগী মায় পাকপদা হরাউ মথোই কানদুনা পালন তৌনখি।

দিসেম্বর ২৩, ১৯৯৮দা চীংমৈরোং খোংনাং কারক্তুগী লমলোং থোং ফাওবা দিঙ্কু রোদ হায়না মমিং থোল্লগনি অমদি লুপা লাক্ষ ১৪ রোমগী ভেল্যু ওইবা লাঙ্গোল গেমস ভিলেজগী কেটাগোরি এগী য়ূম অমা দিঙ্কুদা পীরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর ৰাহেংবম নিপামচানা লাউথোকখি।

এপ্রিল ২৮, ১৯৯৯দা চীফ মিনিষ্টর শ্রী ৰাহেংবম নিপামচানা লৈবাক মীয়াম্না ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কোক্লবা নোং চুনবা ষণবী ১৮ শঙ্গোম শুমদুনা শ্রী গোবিন্দদা লাইশোন পাঙথোকখি।

ফেব্রুৱারী ১৩, ১৯৯৯দা নেসনল গেমস হৌদোক্লবা রাষ্ট্রপতি কে আর নরায়ন্না ইম্ফালদা থুংলখি। ফেব্রুৱারী ১৪দা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা ৫শুবা নেসনল গেমস হৌদোকখি। তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী কন্টিনজেন্ট (সর্ভিসেস টিম য়াওনা) ৩৪না মার্চ পাষ্ট চৎখি। কলা সংস্কৃতিগী থৌরম কয়া পাঙথোকখি। ফেব্রুৱারী ২৫, ১৯৯৯দা য়ূম্বু মণিপুরনা গোল্ড ৪৯, শিলভর ২৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩৯ পূন্না মেদল ১১২ ফংবগা লোয়ননা পোইন্ট ৪৮৬ ফংদুনা ওভরওল চেম্পিয়ন ফংদুনা লেমজনীংঙাই ওইরবা রাজা ভলেন্দ্র সিংহ ত্রোফি ফংখি। গোল্ড ৫২ ফংবা কেরলা পোইন্ট ৪৮১ ফংদুনা অনীশুবা তাখি।

# হাওজিং ফোর ওল, ঐ অমদি কুমগী নোং

- সোরোক নোরেন -

**চুনিংখৈ** চুরো, চুনিংদ্রগা তোকও। নোং নঙনা ফনা য়াম্না চুদুনসু হাওজিং ফোর ওলগী ভেরিফিকেসনদদি নঙনা ঙমহল্লরোই। অদুননি হাওজিং ফোর ওলদদি নোং চঙদ্রে হায়রিসে। হৌজিকপু ৱার্দ অনী অহুমদা ঙাইরকান্দা কমদৌনা নোং চুরে হায়দুনা য়ৈথোক্কদৌরিনো। অমরোমদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অসিনা মণিপুরগী টাউন ২৭কী অরোইবা হাওজিং ফোর ওল খোঙচৎ ওইরিবনি। হৌজিক নোংমা নীনি লৈরগদি মণিপুরগী হাওজিং ফোর ওল (অর্বান) গী ফিল্ড ভেরিফিকেসন পুমলোই লোইরগনি।

ঙসিদগী চহী অনী খরা কল্লপকী মমাঙদগী চৎপা হৌখিবা খোঙচৎ অসি ঙসিদি লোইশিল্লক্লে। নুংশিদ্রা মতমসে ঙরাংতা ওইরবোই নীংই। মণিপুরগী হাওজিং ফোর ওলগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টরনা ইহান হানবা ওইনা ফিল্ড ভেরিফিকেসন চৎত্রিঙৈদা বেনিফিসরিশিং কমদৌনা খনগদগে হায়দুনা ওফিসল পূম্নমক্তা ত্রেনিং পীখিবদো। অথেংবা নুমিদাং ফাওবা হঞ্জিন-হঞ্জিন টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী কনফরেন্স হোলদা নৈনখিবদো। ঙসিদি অদুগুম্বা অথেংবা নুমিদাংগী ত্রেনিংনা মাহুদকী ওফিসরশিং অমদি এঞ্জিনিয়র পূম্বা হাওজিং ফোর ওলগী ভেরিফিকেসন্দা চপ চাবা লৌশিং লৈরে। মসিমক্লনি মণিপুরগী টাউন ২৭কী বেনিফিসরি লিশীং ৪৫ খরা হেনবগী ফিল্ড ভেরিফিকেসন লোইবা ঙল্লক্লিবা। য়ামখ্রবা য়ূমশিং অসি মণিপুরগী টাউন ২৭ ককচীং, কুম্বী, ক্বাক্তা ময়াম অসিগী য়ূমথোং খুদিং চঙদুনা বেনিফিসরি ওইবা য়াব্রা হায়না য়েংখিবনি। হায়রিবা খোঙচৎ অসি অরাইবদি নত্তে। অরুবা তাঙ্কক কয়া কয়া লান্দুনা নোংজু নুংশা কয়াগী চৈথেং মরক্তা ঙসিগী হাওজিং ফোর ওলগী ওইবা মণিপুরগী টাউন ২৭ মক বেনিফিসরি খন্দোকপা লোইরে হায়না লৌবা য়ারে। অরোইবা খোঙচৎ ওইরি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ নম্বর ২৭ মক চৎননবা শেম শাবা হৌরকপদা খোঙথাং খরা তপখ্রবসু ঙসিদি হৌখিবা নুমিৎ ১০নিমুক অসিদা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লি। হাওজিং ফোর ওলগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টরনা অরোইবা খোঙথাং ওইবগী লূম্না য়েংলকপগা লোয়ননা কোর্পোরেসন অসিগী প্রোজেক্ট ইন চার্জ থৌদাম রবিন্দ্র এসিষ্টেন্ট ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নরনা হেন্না থৱায় য়াওবগা মপা চানখি। থৌদাম রবিন্দ্র ওফিসর মরক্তা মশা খিংবদা নত্তনা পোরম খঙবা ওফিসর অমা ওইনসু উনরিবনি। হীরম খুদিংমক্তা মিসন দিরেক্টরগী পাউতাক মতুং ইন্না খূৎ থাবা থৌদাং ওইবা মায় পাকপগী চাংসু ৱাংই হায়বা তাই।

মসিমক্লনি কোর্পোরেসন অসিগী লেমহৌরিবা ৱার্দ খরা ৮, ৯, ১০, ১১, ১৬, ১৭ অমদি ১৮ শুপ্নগী চয়োলসিগী মনুংদা য়াল্লবা ইমুংশিং খন্দোক্লবা হোৎনরক্লিবা। অহৌবগী ওইনা ৱার্দ নম্বর ৮ শগোলবন্দ মৈনো লৈরক, শগোলবন্দ সলাম লৈকায়, কাঙবম লৈকায় অপূনবগী ওইনা ফোর্ম ২০০গী ময়াদা ফিল্ড ভেরিফিকেসন চৎখি। হায়রিবা ৱার্দ ৮গী ওইনা লায়রবগী য়ূম খন্দোকপদা থেংনরকখিবা য়ূমশিং অয়াম্বা নাতৈ চাদবা ফীভম ঙাক্তা থেংনৈ। অসুক ময়োল ওইবা লমদম অসিদা মনুং হঞ্জিন্না লৈরল্লিবা মওং চাদ্রবা য়ূমশিংগী মনুংদা শক্লাইরবা আর্টিষ্টশিং কয়া অমগী য়ূমসু য়াওরি। মণিপুরদদি আর্টিষ্টশিংগী মফম করিসু ৱাংদ্রি। আর্টিষ্ট অমা ওইনবা হোৎনবদা চঙলিবা মমল য়াল্লবা গুণ লোয়ননা পীথোরকপা কলাগী লমদা য়াওরিবা মগুণ ময়াম অদুনা মীমাং থোক্তুনা মীয়ামগী পোত্থাফম ওইরবসু মদুগী মমল মতিক্তি চাদনা হিংদবা য়াদনা হিংলি। কাঙবম লৈকায়দা লৈবা শক্লাইরবা আর্টিষ্ট অমগী হৌজিক লৈনরিবা য়ূম ঈশিংনা থুমজিনখিবা মতুং কাংথোল মখাদা উপাক থাদুনা অমদি ইমুংদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা উপাক্লা লম্বেল শেন্নগা লৈরম্বা উবদা হাওজিং ফোর ওলবু থাগৎতবা য়ারক্তে। অফবা য়ূমলৈ কৈরৈ ফনা য়াম্না উরবসু লায়রবগী য়ূমসু মশীং খঙদ্রি। লম্বী থোং মপূং ফাদ্রি ৱার্দ অসি। অপীক অপীকপা লৈরক মচাশিং পাকথোক্লবা লমসু লৈতা য়াম্না ৱানা চৎলি।

ৱার্দ নম্বর ৯ কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায়, কৈশাম্পাৎ মপুম, শগোলবন্দ মৈনো লৈরক মতেক খরা মখা থংবা শরুক মীনা কুংনা তাবা লমনি। ৱার্দ অসিসু ৱাংল-ৱাংলবা য়ূম কয়াগী মরমদা তশেংনা মঙম শান্দ্রবা য়ূম কয়া অমা লৈরি। মখোয় কয়া অদুনি ঙসিগী খোঙচৎনা মনুং হঞ্জিন্না থিবা চৎলিবা। লুরিবদি অসুক শাংলবা মতম অসি কমদৌনা হিংদুনা লেল্লকপা, নোংজুনা মরেপ থুল্লবা লমদমসিদা য়ূম্ফম য়াওদ্রবা য়ূমশিংগী মীওইশিংগী পুন্সি মরেল ঙসিদি হাওজিং ফোর ওলগী মতেংনা খরমখৈদি শাফবা ওইরসনু। নোং হেক তাবগা লৈরক-খুল্লক, শুমাং-থেল্লোং ঈশিংনা চিথোকফম লৈরমদবদু খজিক্তুংদি ফরবসু অকুৎপা মফমশিংদা লৈবা মীওই কয়াদি নোং তারক্কনি খনবদা নীংদোন পোম্বা তোক্লহৌদ্রি। মপূং ওইনা দ্রেনগী ফীভম পাকা দ্রেন ফনা য়াম্না চল্লবসু অহেনবা ষ্টোর্ম ৱাটর দ্রেন মরাং কায়না চনবা মথৌ তারি। নোংজু থানি লৈহৌরিবা লৈরক-খুল্লক তরু তনানদে। মাগী মাগী হিংনবা হোৎনবদা সরক ময়ায়দা তাবা অচৌবা নূংদুম লৌথোকপগী মহুৎ থৈদুনা চৎনহৌবা হায়দুনি।



তশেংনা ইম্ফালগী লম্বীশিং নোং হেক তাবা খুদিং কোয়লাস থারবসু কোয়লাস হেক উদবমখৈ লৈনাংনা পুমকুপ কুপ্পা তোকত্রি। লৈবাক্লা অমুক্কসু হেল্লি। মসি অনৌবা লৈঙাক্লসু মীৎয়েং মপূং ফানা চঙবা উদ্রি। উরকপদি ওইসনু। নৎত্রবদি ঐখোয় অনানবা লম্বীদা কৈদৌঙৈ তরু তনান্না চৎপা ঙম্লকপা হায়বদুদি য়েংখিবা তারি।

মপূং ওইনা ৱার্দ নম্বর ৮ অমসুং ৯গী ফিল্ড ভেরিফিকেসন্দা সর্ভে চৎননবা শেম্বা ওফিসল টিম অসি জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনি। জিরিবামদগী ওফিসল তরেৎ পুদুনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী হাওজিংগী ফিল্ড ভেরিফিকেসন য়াওবা লাক্লিবশিংবু এগজিক্যুটিভ ওফিসর মৈনম রাজেন্না লুচিংদুনা লাকপনি। মৈনম রাজেনসু থবক খুদিংমক ঈংনা তপ্পা, মমুৎ তাদ্রিবমখৈ থাদোক্তবা থৌদাম রবিন্দ্রগুম্বা ওফিসরনি। শাংলবা জিরিগী লম্বীদা লাক্তুনা ইম্ফালগী হাওজিংগী ফিল্ড ভেরিফিকেসন য়াওবিরবা ঐখোয় পূম্নমক্লা থাগৎফম থোকই। মপূং ওইনা ষ্টেট মিসন দিরেক্টরগী অনৌবা ষ্ট্রেটিজি অমা ওইনা পায়খৎপা থৌদাং মায় পাক্লে লৌবা য়ারে।

ৱার্দ নম্বর ১০ সয়াং, তখেল্লম্বম লৈকায়, হাওরোকচাম্বী অকোয়বা মফমনা মপূং ওইবা লমনি। ৱার্দ অসি মতম অমদদি শম্বলৈ শেকপিন্না অহিংবা ওইদুনা মাগী মগুণনা অতিয়া পক্লা ৱাংদুনা মালেমদা শোন্নরল্লবসু ঙসিদি শম্বলৈ শেকপিন মণিপুরগী লৈমায়দগী উবা ফংদ্রে। অসিনি ঙসি ঐগী ইরমদমগী চৎনবী তুং কোয়বা ঙমদবদুনা শম্বলৈ শেকপিনদসু চৈথেং ফংলে। হাওজিং হৌদ্রিঙৈদা হাওজিং থিবা চৎনবা লম্বীসিনি থম্বা মরু ওইরিবা। ফত্তে লম্বী সরক ফত্তে। পোর্ট হোলনা লৈতেং ওইবা শিংল্লীংনা মফেন ওইরগা চৎনবা ওইরিবা লৈরক খুল্লক্তা লৈরিবা মীওইশিংসিগী মমলসিনা স্মার্ট সিটি ওইবা তারবরা। ৱার্দ অসিসু লায়রবা মশীং য়াম্বা ৱার্দ অমা ওইরি। হাওজিং ফোর ওলগী লমদদি। শাজসনু লুরিবদি নাতৈ চাদ্রবা লৈনরিবা য়ূম অদুদগী হোংদোক্তুনা অনৌবদু শাদ্রিফাওবদি য়াওনগদৌরিবা লম মচেৎ অমফাওবা লৈতবা য়াওহৌবদুনি। মপা মপূনা থম্বীরল্লবসু য়োন য়োন্দুনা চাখিবদগী মপূনা শৈদাংবগী ফীভম ওলহৌবা মপূং ওইরবা বেনিফিসরি কয়ামরুম লৈহৌরি। শম্না হায়রবদা শেন্থোক লম্বী মরাং কায়হৌদবা য়ূমকোক মশীং য়াল্লি। চিন্দা অঙম্বা মতেং পীগনি লাউবনদি য়ারোই। হায়নবা অমসু লৈ ইনাকখুনবা তরানা লায়রবা অমা শৌগৎপা ঙমদে। তশেংবদি নোংমগী শূরগা চাবা ইমুং মরাং কায়রিবসি কমদৌনা হিংবগী লম্বী পীগনি হায়বসিসু অচৌবা অরুবা অমদি ওইরি হায়নীংই। নোংমা নোংমগী হৌখিবনা অসুক শাংলবা মতমসি লম্বী থোং, ইরম-নালা অসুক শোত্থরিবসি করি অৱাৎপা লৈবননো মরী লৈনবশিংনা কুপ্পা য়েংশিনবা মথৌ তাই। হাওজিংখক্তনা ওইবা য়াদবা পুন্সিনি। অদুবু মসিগী মতেংসিনসু অচৌবা মতেং অমদি ওইরে। থেংলবসু থেংনা য়ূম কৈগীমক্তদি অর্বানগী টাউন ২৭মক্তা চৎনবা য়াবা নোংজু নুংশা ঙাকথোকপা ঙম্বা অপীকপা য়ূম অমদি শোয়দনা পীরগনি অমদি টাউন খরদদি পীবা হৌরে। মসিসু অচৌবা খুদোল অমদি ওইরে লায়রবশিংগীদি। অদুবু হন্দক লাক্লিবা থৌরাং অসিনা লাক্লিবা কুমজা ২০২২ ফাওবা চৎনগদবনি। মসিফাওবগী মনুংদা শাহৌদ্রবদি নৌনা শাজগে হায়বা য়ারোইদৌরিবনি। অদুনা ঙসি চৎলিবা খোঙচৎ অসিগী মরুমদা কয়াম চিত্থবা লৈহৌরমগদগে হায়বদু খরা ৱানা থোক্লি।

ৱার্দ নম্বর ১৬ শিংজমৈ কেন্দ্রগী মপূং ওইবা মফমনি। লীৱা লম্বী, হৈরাঙ্গোইথোং, চীংঙামখা অপূম্বা মফম খরনা কোল্লিবা লম অসিসু লম্বী থোং নাতৈ চাদনা কুম পুরবা ঙাক্তনি। অদুবু হন্দক্তি ওনরেবল স্পিকরনা অখন্নবা লৈরক খরদি মওং তানা শেমগৎপা হৌবিরে। ঐখোয়না খঙলকপদগী ঙসি ফাওবদা মওং তারক্তুবা লৈরকশিংনি। জগনাথ অচৌবা লৈরক, সাপম লৈরক, সাপম লৈরক মনিং, দ্রেনসু য়েংবা নুংঙাইরে, লম্বীসু ফরে হায়না লৌবা য়ারে। অসিগুম্না ৱার্দ খুদিংমক্কী লৈরকশিং শেম্নবগী খোঙথাং লৌখৎপা থেংমল্লে। ৱার্দ অসিসু লায়রবা মশীংনা হেনবা ৱার্দ হায়বদু ওইরমই। নাতৈ চা-চাদ্রবা য়ূমশিং নহান মখৈ করম্না হিংলমই হায়বসি খল্লুবদা ৱাখলসি তং তাদে। চৎলিবা খোঙচৎ অসিনসু লোইনমক কোনশিনবা ঙমদবা মতাং য়াওগদৌরিবা মাল্লি। হায়বদি য়ূমথোং খুদিং পাউ ফংনহৌদে হায়বা অথেংবা পাউনিলখোলনা য়ৈরিবসি পোলিটিক্সকী অখুবা মীৎয়েং চঙখিব্রা, লোইশিন্দ্রিঙৈদা থিদোকহৌবা চুম্বসু য়াই। হাওজিং ফোর ওলনা পুরক্কদৌরিবা অওনবা অসি মপূং ফানা লৌহৌবা ঙম্নবা হোৎনবদা খরদা ওইরবসু পাংলিবা মতেং অসিগী মমল লৈহন্নীংই। নৎত্রবদি অচুম্বা থিবা চৎপদা অচুম্বা মাঙখিবা য়াই। লেপ্পা লৈতনা চৎলিবা ঙসিগী অয়াঙবা খোঙচৎ অসি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী থৌদাম রবিন্দ্র অমদি মপূং ওইবা ওফিসরশিংসিনা হোৎনরিবসে ঐখোয় পূম্নমক্কী ওইনা লায়রবা কোকপা ঙম্নবগী পান্দমনি লৌমিন্নসি। রবিন্দ্রগী মতম কক্তবা থবক খূৎশুগী থৌনাদা ষ্টেট মিসন দিরেক্টরনা লমজিংবীবদগী ঙসিদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী হাওজিংগী সর্ভে লোইরে লৌবা য়ারবনি। অসুম্না সর্ভেগী মতুংদা চত্থরক্কদবা কাঙলোন ময়াম অমদুসু মতম মাঙহন্নীংদ্রে। রবিন্দ্র অমদি অতৈ ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মরী লৈনবা ওফিসর খুদিংমক্লা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎহন্নীংই।

ৱার্দ নম্বর ১৭ মফম অসিনা শিংজমৈ থোঙাম লৈকায়, শিংজমৈ টোপ লৈকায়, ৱাইখোম লৈকায়, লৈশাংথেম লৈকায়, শৌগ্রাকপম লৈকায়, সাপম লৈকায়, ওইনাম থিঙেল, অহৈবম লৈকায়, লৈকায় ময়াম অসিনা পূনশিল্লগা শেম্বা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ নম্বর ১৭ হায়বদুনি। ৱার্দ অসি অচৌবা ৱার্দ অমনি। মরুওইনা হৌজিকমক কোর্পোরেসন অসিগী মেয়র ওইরিবা ওনরেবল লোকেশ্বরগী হোম ৱার্দনি। পূন্না য়েংবদা ৱার্দ অসিসু লৈত-লায়রগী য়ূম মশীং য়াল্লম্মি। লৈরক মনুং হঞ্জিন হঞ্জিল্লগা হেন্না লুর-লুরবা য়ূমকোকশিং থেংনবা হেনগৎলকপসিনি য়েংবা নুংঙাইত্রিবসি। অদুবু করমদি তৌনী লায়রববু ঐনা ওইহল্লুবরা। হৌখিবা চহী ২ মুক অসি তুমিন লৈরুরগা ঙসিতা মথি ফোংনরি হায়দুনা ৱারৌজবা বেনিফিসরি কয়াগী পাউখুম পীরম্বা ঙমদনা হল্লকপদো পেন্দি পেন্দে। ঙসিদগী অমুক কয়ানি লৈরগা বেনিফিসরিগী খূৎতা য়ূম শাবা হৌবগী অয়াবা পীবিগদৌরিবনো হায়বদো চুম্নদগী ভেরিফিকেসন চৎলিবা ঐনদি খুম্বা ঙমদ্রবা পাউখুম হায়বদু ওইরে। অদুবু ঙসিগী খোঙচৎ অসিনা অরোইবা হায়বদু ওইরবনিনা পংকুইদি কুইররোই নীংই। হৌজিক্তি থৌদাম রবিন্দ্র অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী খূৎতা য়াঙহনগে য়াঙহল্লোই লৈরে হায়না লৌবা য়ারে। শোয়দনমক্কীসু য়াঙলক্কনি নীংই মীয়ামগী খল্লগা। তুং হন্না চৎপা মীওইদুদি নত্তে থৌদাম রবিন্দ্র। মদুমক্কবু ঙসি তেল্লবা মতমসিদা নংনবা হোৎনরক্লিবনি। অমরোমদা অনানবা ৱার্দ অমসু পংওইদি ওইদ্রি। লুরিবা অমনা লৈরক খরা ফোর হুইলর থৈনবা য়াদবা অসিনি। ঙসিদগী চহী ৪০ মুক্কী মমাঙদা পাঙ্গৈ রোদতা চৎলগা লৈবা পুখাওদা ঐখোয়গী লৌশাল লৌবা চৎলি। লমদম অদুগী মৈগী খুদোংচাবা ফংদে। ঐখোয়না চৎলিবা গাড়ী অদুনা লৈরক চঙদ্রিঙৈ অচৌবা সরক্তুগী মতায়দা থারে অদুগা লৈরক অদুগী মচিন্দা লেপ্পগা ফনা য়াম্না কুইনা লাউদুনা গাড়ী থোরকপরা হায়রকান্দা লৈরক অদুদা গাড়ী অদু থৌজিল্লি। হায়বদি লম্বী অদু গাড়ী অনী থৈনবা চন্দে। পুখাওগী মতমদুগী লৈরক্তি ফীভমদুগুম ময়েং লৈকায় লাইরেম্বী মমাঙগী লম্বীসু গাড়ী অনী থৈনবা য়াদে। দ্রেনসু লৈতে। লম্বী পাকথোক্লবা অহাংবা লমসু ফংদ্রে। করি তৌবা তাই। মসিদি লৈঙাক্কী মরালদি নত্তে। থঙনরিবা য়ূমশিংদুনা খোপচিনবনি হায়বা তাই। হৌজিকমক্কী ওইনদি অমা চৎপা লোইরবা মতুংদা অমা অমুক চৎপা নত্তনা উপায় লৈহৌদ্রি। লম্বী থোং ইফ-ফনা লৈহৌবা উরক্তে। হান্নগী হান্না মণিপুরগী লম্বী থোং অঙ্কানি। লম্বীগী মতাইদা লৈবিরিবা ইচিন ইনাওশিং মীয়ামগীনি খল্লগা অমদি ইশাগী য়েংলগা লম খোপচিনবগী হৈনবী থাদোকমিন্নসি নৎত্রবদি ময়েং লৈকায় লৈরক অসিনা ওইহৌরিবা ফীভম অসিদা ঐখোয়না চৎলি হায়বসি ঐ ইশাগী ওইনা চাউথোকফম থোক্তে।

অরোইবা খোঙচৎ ৱার্দ নম্বর ১৮ লোক্লাওবুং থোং মমাঙ ব্রহ্মপুর ভৈগ্যবতি লৈকায়, শিংজমৈ থোং ৱাংমা অৱাং লমদম অসিসুনি। লৈরক খুদিং কুৎপনা কোয়লাস মচেৎ অমত্তা মপূং ফানা উরক্তে। দ্রেন মতিক চাদে। ঈশিং থুম-থুমদুনা লৈহৌবা য়ূম শঙ্গোই, শুমাং য়েংবা নুংঙাইতবা কয়াদুগী মরক্তা হাওজিং ফোর ওলগী সর্ভেদু পূক্লিং মকা লাল্লক্তে। লায়রবসু ফনা য়াম্না থেংনরকই। তশেংনা হায়রবদা মণিপুরগী য়ূমলৈ কৈরৈ নাতৈ চাদবা মীওই য়াম্না লৈরিবা ষ্টেটনি। কুমজা ২০১১ সেন্সসকী রিপোর্টকী মতুং ইন্না টাউন ২৭কী অপূনবা মীশিং ৬,১৯,৭৭৮ ওইবদা য়ূমকোক্লা ১,২৮,৮১৭ ওইরি। হায়রিবা য়ূমকোক ১,২৮,৮১৭ গী মনুংদা হাওজিং ফোর ওলগী অপূনবা বেনিফিসরি অসি চাউরাক্লা ৪৫,০০০ রোম ওইরি। অদুনা লাইরবসি চাদা ৩৫গুম্বা ওইরি হায়না লৌবা য়াই।

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে অরোইবা খোঙচৎ ওইদুনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না অরোইবা ওইরগা টাউন ২৭ মক ঙসিদি হাওজিং ফোর ওলগী ফিল্ড ভেরিফিকেসন চৎপা লোইরে হায়না লৌরবনি। অসিগুম্বা খোঙচৎ অসি মপূং ফানা হোৎনবদা কুমগী নোংজুদি করিসু নত্তে। নোংনবু কৈদৌনি ঈচাউ থোকহনবা নত্তনা।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হোৎনববু লেপত্রবদি পুন্সিদা মায় পাকই

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুর** অমদি ইন্দিয়া শিনবা থুংনা জি এস টি লাকপদগী পোৎকী মমল অসুক্কী মতিক ৱাংখৎলকপা অসিদা লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা ফোর গ্রেদতগী হৌরগা অচৌবা ওফিসর ফাওনবা ফংনরিবা তলবকী শেনফম অসি হান্না অসুক্কী মতিক চাউনা ফংই। মসি এদেদ স্কুলগী ওজা অমগা য়েংনরুবা মতমদদি অকিবা ফংনা লৈরিবনি। এদেদ স্কুলগী গ্রেজুয়েট অমগী ষ্টার্টিং পে অসি শুপ্নগী অপূনবা লুপা ৯৫০০নি। মসি খ্বাইদগী পীকপা লৈঙাক্কী ফোর গ্রেদ অমগী তলবকী শেনফমনা য়াম্না শাথিনা হেল্লিবনি। অদুগী মথক্তা তরুকশুবা পে চৎনখ্রে অদুগা হৌজিক অমুক তরেৎশুবা পেগী শেনফম অমুক চৎনরক্লগনি। মসিদা হন্দক মেত্রিক পরিক্ষাগী ফল লাউথোকপদা লৈঙাক্কী অমদি এদেদকী মহৈরোয়গী পাস তৌবগী চাং য়াম্না হন্থে হায়বা পাউচেদা ইরকপা থেংনখ্রে। অদুবু পাস তৌবা অমদি মকোক মথং তাখ্রবশিংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অঙকপা ফংনা থাগৎ ৱাহৈ কয়া পীনরি। অদুগা ফেল ওইরিবা মহৈরোয় কয়াগী অমদি লায়রবগী পনখৈগী মখাদা লৈরিবা মহৈরোয় কয়াগী লন্নাই মহৈলোইশঙ কয়াদা মহৈ তম্বা ঙমজদবা কয়াগী তম্ফম ওইরিবা এদেদ স্কুল কয়াগী হন্থবা থাক্তা লৈরিবা মহৈরোয় কয়াগী মরমদা করিগুম্বা অমত্তা খনবীদনা লৈরিবা মওং অসিনদি অফবা খুন্নাই অমদা লাকপা য়ারোই। ঙসি ফাওবদা শুপ্নগী থা অমদা লুপা ৩০০০ খক ফংলগা অঙাং হৈনবা তাকপীবা মদুসু থা খুদিংগী ফংহনবীবসু নত্তবা অসিদা করম্বা ওজানা মথ্বায় য়াওনা করম্না মহৈ তম্বীবা ঙম্ফম থোকপগে?

লৈঙাক্লা চহী ৩৮ চুপ্না য়েংশিনবীদনা লৈরিবা এদেদ স্কুল কয়াবু অনৌবা মওংদা শেমগৎ শাগৎপীনবা থৌরাং থৌশিল কয়া পায়খৎপীদুনা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈরিবা অঙাং কয়াগী মফম ওইরিবা এদেদ স্কুল কয়াবু মীৎয়েং চঙবীবা চুমদব্রা? মমা-মপানা থওই-ৱাওইবীদ্রবা, মফি-মরোল নিংথিনা শেৎপা ফংজদ্রবা অঙাং কয়া পরিক্ষাদা মায় পাকহৌদ্রবা কয়াগীদি খন্নবীদবা অদুগা অফবা মহৈরোয় কয়াদনা মনা পীবা অমসুং পূক্লিং থৌগৎপা কয়া তৌবা অসি ফৈ অদুসু অদুম তৌবীবা কায়দে অদুবু মায় পাকহৌদ্রবা কয়াগীদি করম তৌরগা করি খন্নরগা মখোয়গী ফীভম ফগৎহনগদগে হায়বা ৱাখল কয়া থম্বীদুনা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল কয়াসি ফহন্নবা হোৎনবা হায়বসি তৌফম থোকপ্রা খঞ্জে।

হীরম অসিগী মতাংদদি করিসু খন্নবীদবা মাল্লি। মায়থীহৌরবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তা করিসু খন্নদনা অফবা মহৈরোয়খক্তদা মনা পীবা অমদি পূক্লিং থৌগৎপখক্তনা মায়থীহৌরবা মহৈরোয় কয়াবু করম্না অফবা লম্বীদা পুরকপা ঙমগদৌরিবনো। মরম অদুনা মায়থীহৌরবা মহৈরোয় কয়াগী তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা মীওই অমমম ওইনবা হোৎনবদা সী এস ওশিং, লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিং অমদি লূপ কয়ানসু হীরমসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবদা স্যের মচেৎ অমত্তা ওইরবসু পীবিদুনা খন্নবীফম থোক্তব্রা? মায়থীহৌরবা মহৈরোয়শিংসু নীংথিনা হোৎনবীরবদি মখোয়সু তুংগী য়ূম্বী ওইরক্তুনা মীংচৎ উরোং থল্লকপসু য়াই। হোৎনববু লেপত্রবদি পুন্সিদা মায় পাকপা ওইরকই হায়বসি পুৱারীনা লেংদ্রবা খুদম চাংদমনি। মায়থীহৌরবা মহৈরোয় কয়াসু লমদমসিগী মীয়ামনি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ*

*ককচীং খুনৌ*